# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-05-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌল্‌প অনিগী কাদর ৯ ফারে। চুরাচান্দপুর জিলাদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-খোংজোম বজারগী তেকচম লমখাই মনাক্তগী ঙরাং কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী কাদর অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাবা ঙমখিবনি। মখোয়দগী মেগজিন অনি য়াওবা পিষ্টোল অনি, মরু ১৯, শেল, মোবাইল ফোন, দিমান্দ লেট্টর মরি অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংলে।

অমরোমদা, লমশাং এরিয়াদগী পি.এল.এগী কাদর তরুক, খুৎলায়গা কোন্ননা মনিপুর পুলিসনা ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু ১৬, মোবাইল ফোন ৮ অমদি জিপসি গাড়ি অমা ফাগৎলে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-চিংগা তায়নবা মফমশিং অমদি ইরাং লৈগনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি। চুরাচান্দপুর জিলাগী মোংজাং এরিয়াদগী মেগজিন য়াওবা টুয়েল্ভ পোইন্ট ফাইব এসোল্ট রাইফল, নাইন এম.এম. সি.এম.জিগী মেগজিন অমা, নোংমৈ মরু ১৫, সোর্ট রেঞ্জ মোটার অমা, এন্টি রাইওট সেল তরুক য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

চেরোল অসিনা হায়-নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ২৩৬ অমদি নেসনেল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ২৯০ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে।

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ইন্তরনেসনেল ডে ফোর বাইওলোজিকেল দাইভর্সিতি নুমিৎ পাঙথোক্কনি।

মপুং ওইবা থৌরম মণিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী খোংহামপাৎ লাইকোলদা লৈবা ষ্টেট বোতানিকেল গার্দেনদা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ পালন অসিগী থিমদি-বি পার্ট ওফ দা প্লান হায়বসিনি। থৌরম অদুদা ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্তিং ২০২৪-২৫ গী মিদিয়া ফেলোশিং ওক্কনি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** হয়ার এদুকেসনগী ওজাশিংদা পীবা নেসনেল এৱার্ড-২০২৪ গী নোমিনেসনগীদমক শিক্ষা মন্ত্রালয়না দরখাষ্ট কৌরি।

মন্ত্রালয় অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-এৱার্ড অসি থাগদবা ওজা অদু অন্দর গ্রেজয়েট নৎত্রগা পোষ্ট গ্রেজয়েটকী থাক্তা চহি মঙা লেপ্তুনা ওজা ওইরকপা ওইগদবনি। হায়রিবা ওজা অসি রিগুলর ফেকলতি মেম্বর ওইগদবনি। অদুগা চহি ৫৫ গী মখাদা ওইগদবনি। লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অমগী ভাইস চাঞ্চেল্লর, দাইরেক্তর নৎত্রগা প্রিন্সিপালদি হায়রিবা এৱার্ড অসি থাবা য়াদে হায়রি। মসিগী মতাংদা হয়ার এদুকেসনগী সেক্রেটরি-সঞ্জয় মুর্ত্তিনা এৱার্ড অসিগীদমক নোমিনেট তৌননবা পোরটেল হাংদোকখ্রে।

**থাদৌ (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী পল্লেল এরিয়াদা মীতৈ অমদি থাদৌ ফুরুপকী মীওইশিং নুংশি চান্ননা অমদি শান্তি লৈনা লৈমিন্নরি। মসিদা কুকিশিংনা অরানবা পাউ কয়া শন্দোকপা অসি লেপ্পীয়ু হায়না থাদৌ খংলাই লোংপিগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-পল্লেলদা লৈরিবা মীতৈ অমদি থাদৌ অনিনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা অসিনা মমাংদা ফুরুপ অনিগী মরক্তা তংদু লৈতানা

নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরম্মী হায়বদুগী খুদম ওইহনগদবনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লমলোং থোংখোং আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরকপা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ফাইনেল ঙসি নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা নিশা-থাংমৈবন্দগা লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এল.ৱাই.সি.সি) গা থেংনরগনি।

**মোদিঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, ঙসি উত্তর প্রদেসকী বসতি অমদি শ্রবাসতিদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাংগনি।

লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা তুংদা ৱেষ্ট দিল্লি লোক সভা কেন্দ্রদা বি.জে.পিগী মীরেপকীদমক ভোট খোমগনি। মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফম অমদা প্রধান মন্ত্রি শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহসু ঙসি নোংচুপ বেঙ্গোলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াগনি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি ঙসি হরিয়ানাগী সোনিপৎতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াগনি অমসুং হরিয়ানাগী পান্সকুলাদা পাঙথোক্কদবা সমবিধান সমন সমেলনদা শরুক য়াগনি। মদুগী তুংদা, শ্রী রাহুল গান্ধিনা উত্তর প্রদেসকী দদ্রিদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াগনি।

**এনআইএঃ** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না ঙরাং রামশ্বরম কেফে ব্লাষ্ট কেসকা মরী লৈননা ঙরাং লৈবাক অসিগী রাজ্য মরিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখ্রে।

এন.আই.এনা করনাতক্কা, তামিল নাদু, তেলঙ্গানা অমসুং অন্ধ্র প্রদেসকী

মফম ১১ দা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। কেস অসিগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা এন.আই.এনা থিবা হুন্বগী থবকশিং অসি চথখিবনি।

এজেন্সি অসিগী পাউনা হায়-থিবা হুন্বগী থবক অদুদা দিজিটেল দিভাইজশিং অমদি চে-চাং কয়া ফাগৎপা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা এন.আই.এনা মীওই অনি ফাগৎপা ঙমলে।

নীংশিংবা য়াই, বেঙ্গলোরদা লৈবা রামেশ্বরম কেফে অসি চহি অসিগী মার্চ থাদা আই.ই.দি. পোকখায়বদা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখিবনি।

**মেটঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-রাজস্থান, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, উত্তর প্রদেস য়াওনা ভারতকী অৱাং থংবা শরুকশিংদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োকরি।

মধ্য প্রদেস, বিধরভা অমসুং গুজরাটতসু কা হেন্না শারে। হায়রিবা মফমশিং অসিদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলক্কপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবদগী রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে।

দিল্লিদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪৪.৬ ওইরি। মসি মখা তানা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা শাখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, পাকিস্তানদা নুংথিলগী মতমদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৫০ গী মথক্তা লৈবদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্কুলশিং সরকারনা ছুতি থাদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-লম মমিং ওন্থোকপশিংগী মথক্তা গভরমেন্টনা খুদক্তা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়বা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-জিরিদদি কাংলুপশিং নুংশি চান্নরা লৈমিন্নরি, কৈথেল পুন্না কামিন্নরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মখাদা পল্লেনগী মীতৈ-থাদৌগী মরি কুকিশিংনা থুগায়নবা হোৎনরে হায়বা সব হেদলাইন অমসু পীরি।

মনিপুর ন্যুজতা-বি.জে.পিদা মীখল থেংনগনি হায়না মনিপুরগী এস.আই.টি. ইন চার্জতগী রিজাইন্ট তৌখিবা অনন্দ টিকেৎ ফংদ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-এন.আই.টি. মনিপুরগী খারিবা চেকপলগী চেকশিং শিৎ নান্না হুরানখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মীতৈ অমদি কুকিগী দিলিগেটশিংনা মনিপুরদা শান্তি পুরকবগী মতাংদা গুৱাহাতিদা উন্নখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-দ্রগতা চেন্নবশিং চৈরাক পীগনি হায়বা আর.পি.এফকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মার্ক হাওকিপ বেলদা থাদোকখ্রগনি, নোংমৈ মাংখিবগী চে-চাং গুৱাহাতি হায় কোর্টতা শিন্নখ্রগনি হায়বা পাউ অমসু পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফনা লুপা লাখ ২৬ রোমগী দ্রগ ফারে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-লৌমীশিংনা য়োক্লিবা লাইফষ্টোক মখলশিং মাঙ-তাকখ্রবসু ৱানিংঙাই ওইদ্রে হায়বা ভেটিরিনারি ওফিসার-গোজেন্দ্রোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-আর.সি.সি. ইরং ব্রিদজ শাবা লোইশিনবগী মতাংদা এন.ঐচ.আস.দি.সি.এলনা হঞ্জিন হঞ্জিন ওইদবা ঙাংলে, মিনিষ্ট্রি ওফ রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ, এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল অমসুং মনিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে হায়না ফোটোগা কোন্না ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-উখ্রুলগী নহা অমনা নো টু পোপী, য়েস টু হোর্টিকলচর ক্রোপস হায়বা ৱাখল্লোন্দা মায় পাকা লৌউ শিংউগী থবক চত্থরি হায়বগী পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-খুৎলায় পায়বশিংনা এস.বি.আই. জিরি ব্রান্স লুট তৌখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-উত্তর প্রদেসতা ইলেক্সন দ্যুতি চৎখিবা মনিপুর পুলিস পার্সোনেল অনি হার্ট এটেক্তা শিরে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-থাংজিং চিংবু থাংতিং হায়না লান্না মিং থোনজিল্লম্বদা চেন্নবা কুকিগী মথক্তা মনিপুর সরকারনা আইনগী থবক লৌখৎখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মৈরা পায়বীশিং অসাম রাইফলসনা কল্লি হায়বা ৱাফম মনিপুর পুলিসনা রিজেক্ট তৌখ্রে হায়বা পাউ, অহানবা লামাইদা ফোংলি।